HUEIYEN LANPAO

# বিন লাদেন শাবদা থোইদোক্লা মমিং চৎখিবা এক্টর লাইশ্রম তোম্বা

- নানি



তাইবং শেন্বা মপুনা ঐখোয়বু মীওইবা অমা ওইনা পোকপদা শীন্নরকপা শিন্থাদা মপুং ফানা থৌদাং পাঙবা ঙম্বা হায়বসিমক্তি পংলাই লায়বা নত্তে। মীপুম খূদিংমক্লসু মসি ঙম্মদে। মশা-মশাগী চান্না-চুনবা শিন্থা পাঙবদি লায়রদনা শিনফম ওন্নবদগী মায় পাক্তবা পুন্সি কয়া অমসু লৈরিবনি। ঐগী পুন্সিদা করি তৌগদগে হায়বগী চোইস অসিনি য়াম্না লুরিবসি। মসি মীওইবা অমগী পুন্সিদা মপুং ফানা ৱাখল খন্নবগীদমক তাঞ্জা অমুরক্তমক পী হায়নৈ। তাঞ্জা অদুদনি মহাক মশাগী চপ চাবা চৎকদবা অমদি পাঙগদবা শিন্থা খঙগদৌরিবসি। মসিদা লান্না চৎপা য়াদে। হেক লানখিবদা নীংবা কায়গদৌরিবনি। অদুগা চুমখিবদনা মায় পাক্কদৌরিবনি। অদুনা মহে-মশিন তন্নিবা নহাশিংনা মখোয় মখোয়গী তমগদবা সবজেক্ট খনবা অসি য়াম্না লুই। অদুনবু করিয়র কাউন্সেলিং হায়দুনা লৈরিবা অসিনি।

লাইশ্রম তোম্বা সিংহ, অৱাং পোৎশংবম খুনৌদগীনি। অপোকপগী মিংনা লৈখিদ্রবা লাইশ্রম মনি কৌই। অদুগা অপোকপীগীনা লাইশ্রম ওংবী ভানু কৌই। মচিন-মনাওশিংগী মনুংদগী খ্বাইদগী ইতোন তোনবনি। পীশক পীক্লিঙৈদা আলু উবা য়াদে, য়াম্না পাম্মী। আলু চারগা নিংঙাই তৌবা ফৈ। আলু য়াম্না পাম্মী হায়বগীদমক অপোকপনা নোংমা মসিগী অঙাং অসিগী মমিংসি আলু তোম্বা হায়না কৌরসি হায়না ফাগী ওইনা হায়খিবদগী ইমুং-মনুংদগী মিং অসি চোইথোরক্তুনা লৈকায়না আলু তোম্বা হায়না খঙনখি। হৌজিকসি লৈকায়গী মীশিংনদি আলু তোম্বা হায়না লোইনা কৌনরি। ইমুং-মনুংদগী য়েংলবসু অপোকপা মপা ইবুংঙো মতমদুগী নট সঙ্কীর্ত্তন শকপা মীশক অমা ওইখি। মখুরাসু মৈতৈ পুঙ য়ৈবা মীশকনি। ময়াম্বা অহলসু মতম অমগী শুমাং লীলাগী মমিং লৈরবা মীয়াম্না 'রিক্সো কনানো?' হায়বা লীলা অদুদা প্রিন্সিপাল শাবা হায়না খঙনখিবা লাইশ্রম জুগেশ্বরনি। অহল-লমনশিংগী ঈচেলদা য়াওরিবা আর্টপু পামজবা, নুংশিজবগী ইহুল অদু লাইশ্রম তোম্বদসু চপ চানা ঈচেল নাইনা চেন্থরকখি। অদুনা অঙাং ওইরিঙৈদগী হৌনা পুঙ থিনবা নীংথিজনা তম্লকখি। মতমদুদা লৈকায়দা লিংবা নুপী পালাগী পুঙ য়ৈদুনা মিং পল্লবদা- পোষ্ট মোর্টেম, ঈগী মহাওনচিংবা লীলাশিংনি। মতম খরগী মতুংদা গ্রুপ অসিগী মনুংদা করিগুম্বা খরা লৈনবদগী অয়াম্বা আর্টিষ্ট পুন্নমক্লা সনা লৈবাক নাচোম আর্টিষ্ট হায়বা অমা শেমদুনা লীলা মখা চণ্থখি। অদুদগী মখল কয়াগী মীয়াম্না পান্নরবা মীয়ামগী থৌগল তৌরকই। অদুমক্লা পুঙ য়ৈবা অমা ওইনা থৌরম খূদিংমক্তা হেক য়াওরুবসু ওইদ্রি। ইশম শম্না মহাক্কী চৎকদবা লম্বী অসি ইফাং ফাংনা কদোমদা চৎকদগে হায়বগী অরেপ্পা ফিরেপ অমা লৈত্রিবগুম্না ওইখি। মরক অসিদা মথম্মোয়দা শুমাং লীলা য়াওবসি য়াম্না পামজরকখি। অদুবু য়াওফমদি লৈখিদে। হায়ফমসু লৈখিদে। অদুনা মহাক্কী পামজবা অদু খঙনা চান্নবশিংদা খরা খজিক কাংথোক কাংশিন তৌবা নত্তনা থোইদোক্লা মথি ফোঙলুবদি ঙমখিদে।

নীংবু নীংলবদি লাইনা তম্বা অমা লাকই হায়বগুম্বদনা ১৯৮৩দা ময়াম্না অহলগা লীলা তৌমিন্নদুনা লুনা তীন্নরকপা কৈকোলদগী চাওবা (মহাদেব শাবা) হায়না খঙনবা অসিগা মতমদুগী মমিং লৈরবা রাইটর হৌজিক্তি লৈখিদ্রবা থাংজম বিরচান্দগা লাকমিন্নদুনা মহাকপু ইম্ফাল যাত্রা কম দ্রামা এসোসিএসনদা লীলা য়াওসি হায়না হৌরকখি। ঈরুজনিংবগা থোঙ্গ্রা তেকপগা মান্নে হায়দু চপ চানা থোকখ্রে। খুদক্তা মশাগী অয়াবা পীদুনা লীলা পার্টিগী ওফিসতা চৎতুনা লীলা তম্বা হৌখি। মতমদুদা তমখিবা মহাক্কী পুন্সিদা ইহান হান্না লীলা য়াওখিবসি "মেমনাওবী" হায়বা লীলা অদুদগীনি। সিগী মতুংদা পান্থোইবী যাত্রা কম দ্রামা এসোসিএসনদা অমুক য়াওদুনা "চীংগী ঈচল" হায়বা লীলা অদুদা অমুক শরুক য়াবা হৌরকখি। মদুদা মীয়াম্না মহাকপু খরা খরা মশক খঙবা হৌরকখি। লূপ অদুদা চহী ৫/৬ মুক য়াওদুনা মখল কয়াগী লীলাদা শরুক য়ারকখি। সিগী মতুংদগীদি কমখ্যা সঙ্গীত মন্দল হায়বা লীলা গ্রুপ অদুদা য়াওরকখি। গ্রুপ অসিদা য়াওবদগীদি তোম্বগী নুংদা লৈরম্বা মতিং কয়া অদু তপ্না তপ্না উৎথোকপা হৌরকখি। ময়াম্না মহাক অসি বেদ শাবদা পকচৈ হায়না হায়নখি। অদুনা লীলা অয়াম্বদসু মহাক্কী রোল অসি তমথিবা, ফৎতবা শাবরোমদা অদুম কুমদুনা লাকখি। মতম অদুদা গ্রুপ অসিদা য়াওরিঙৈদা কুমখিবা লীলা খরগী লীলা কয়া পুথোকপদা রোল কয়া লৌদুনা শরুক য়ারকখি। মহাক্কী পুন্সিদা অনৌবা রোল অমা লৌদুনা মীয়ামদা নৌনা শক তাকখিবা লীলাদি "ইঙাগী পুর্ণিমা" হায়বা লীলা অদুদা বিজয় হায়বা অহল অমগী রোল লৌবা অসিদনি। মসিদা হান্না ফৎতবা শাবগী হৈনবী পুন্নমক অদু থাদোক্তুনা ট্রেজেদিনা মপুং ওইবা রোল অসিদা চাউনা মায় পাকখি। ন্যু দেল্লী, অসাম, নাগালেন্দ, কেরলা, ৱেষ্ট বেঙ্গল, ওরিষা, অল্লাহবাদ, প্রিথি ঠিএটর, মুম্বাই, কর্নাটকানচিংবা মফম কয়াদা লীলা উৎলুরে। য়াম্না নুংঙাইরিবদি গ্রুপ অসিনা "ৱর্ল্ড ট্রেদ সেন্টর" হায়বা লীলা অমা শান্নখি। মদুদা "বিন লাদেন"গী রোল অদু মহাক্লা কুমখি। ময়াম্না য়াম্না মাল্লি হায়না হায়নখি। লীলা অদু তাঞ্জা অমা ফংদুনা মণিপুরী দাইস্পোরাশিংনা শীন্দুনা যু এস এদা শান্নবা থৌরাং পুন্নমক লোইখি। চৎননবা ভিজানচিংবা লৌদুনা শেম শাবা লোইরবা মতুংদা লীলা অদুগী এদভর্টিজমেন্ট ওইনা ভিদিও মতেক অমা মখোয়না শান্নগদৌরিবা হোল অমদা কাপ্তুনা য়েংবদা বিন লাদেন থোরকপদা শাওরবা নহা অহুম্না স্ক্রিন তম্না নোংমৈ পায়দুনা চঙশিল্লকপগী ৱাফম অমা লাকখি। মরমদি মতমদুদা অমেরিকানশিংনা বিন লাদেনবু লমন খূম্লিংবগী মৈরি কন্না চাক্লিবা মতমনি। য়াম্না মানবা অহিংবা বিন লাদেন অমা থোরকপা মীয়ামগী পেন্দবা কয়া ফুদোক্তুনা অশোয়-অঙাম অমদি পামদবা থৌদোক থোক্লবদি হায়দুনা লীলাদু কেন্সেল তৌখি। মসিমক্তি এক্টর অসিগী চাউনা মায় পাকপনি হায়না হায়দবা য়ারোই।

**লিদিসিগী গুলাপ** হায়বা লীলা অদুদসু জর্মনগী এদোল্ফ হিটলরগী রোল লৌদুনা অনৌবা মিংচৎ অমসু থম্বা ঙমখি। অদুনা লাইশ্রম তোম্বা অসি হিটলর শাবা, বিন লাদেন শাবা হায়না মীয়াম্না চপ চানা খঙনখি। মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমী অমদি মণিপুর ষ্টেট শুমাং লীলা কাউন্সীলনা পীবা মনা মথুম কয়া অমসু ফংবা ঙমখ্রে। দলিট সাহিত্য একাদেমীনা পীবা ডা. বি আর অম্বেকর নেসনল এৱার্দ, ২০১৪, মিট্রালনা পীবা মপুগী থৌজাল খোঙা এৱার্দ, "অথৌবা হীরাচন্দ্র খোঙা, ২০১৭সু ফংবা ঙমখ্রে। হৌজিকসু অনৌবা শুমাং লীলা গ্রুপ অমা শেমগৎতুনা লীলা কন্না তৌরি।





## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিস্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওস্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ৭।০৮।২০২২ ইং, নোংমাইজিং;
থৱানগী ১০ নি পানবা।

**মেষ:** চরাংনবা, অশা চাওবা অমদি অহৈ অপা শাবা য়াদবা নুমিৎনি। থিবা হুম্বগী কান্নবা, পল্লম্বা লন ফংবা য়াবা, অনিংবা থবক পাঙবগী নুংঙাইবদি লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- মীৱা থাজগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

**বৃষ:** নীংবা খ্বাইদগী হেন্না থুংজবা নুমিৎনি। মীয়াম পুনবা নত্রগা মীয়াম্না থাগৎপিবগী হরাওবসু লৈগনি। খুদক্তা নাইতোম অরুবা ৱারেপ লৌবসু য়াগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফরে।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

**মিথুন:** নচাক নরল হেনগৎপগী নুংঙাইজবা, থৌনা লৈবনা লন-থুম মরাং কাইনা তানশিনবসু ঙমজবা লৈ। মরম খংদনা অনম তানবদি নরলদা তাইনগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশি মরী ফগৎলি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

**কর্কট:** পোরম শিনবা অমদি ৱা ঙাংথোকপা হৈতবনা মতম মাঙগনি, অফা-অপুনগী থবক্তা নুংঙাইফম খঙলোই। নচা-ননাইদি চাওখৎলি, শেলথুম ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- য়েৎনবা পামগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস

**সিংহ:** অঙম্বগা ৱাখল তান্নদবা, হন্থবা লোয়নবনা ফত্তবা থবক্তা পুক্লিং চংগনি। পুক্লিং ফাথরবা অমদি লাইগুরুগী ৱা তারদি কান্নগনি। ঈরাং পুরদি কাইনগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মরম চানা ৱা ঙাঙউ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

**কন্যা:** নীংবা থুংজবা, পল্লম্বা শেল থুম ফংবা য়াবা মীয়ামগী মতেং ফংবা অমদি নুংঙাইজবা নুমিৎনি। ইচং থৌবনা মীকোক থোংগনি, য়েক্লবা লাকশিনগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

**তুলা:** অঙম্বনা চানবী, ঙাংবা-শকপা হৈবা, অরং-অরাক ফংবগুম নুংঙাইজবা নুমিৎনি। খোইরাংবদি ফাথৌ, লল্লোনবদা খুৎ চাওখিনু-মতম খরা ঙাইখো।
লৈশা পাখংশিংগী- থাগৎপিগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস

**বৃশ্চিক:** হরাওবা, ৱাখল থোকপা অমদি লাইগুরুনা চানবীবা নুমিৎনি। অহেনবা লৌশিং ফংই, মরুপ মপাংনসু চাল্লি, অফবা মফমসু কনবা ঙমজগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- ৱাখল নুংঙাই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

**ধনু:** মীয়ামগা মরী খরদি ফগৎলি, লন তানশিনবসু মায় পাক্কনি। মৈনদি তাথি, নাইতোম ৱারেপ লৌবা য়াদ্রি, হুরানবনা নচা-ননাই মাঙহনবা য়াই-চেকশিল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চাল্লি।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা

**মকর:** শেল থুম অমদি মীগী মতেং ফংজবা নুমিৎনি। ইমুং মনুং ৱাতান্নদা থৌপাংউ-শোয়দনা মহৈ য়ানগনি। মরুপ মপাংগদি মরৌ লৈনগনি-শাওবা উথোক্কনু।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা থুংই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

**কুম্ভ:** থবক পাঙগনি, নীংবা মপা চাগনি অমদি অনৌবা থৌরমদা মায় ওনশিনবা য়াগনি। য়েৎনবনা অফবা পুরক্লোই-খাঙবা কল্লু। ৱাফংনবা চোপকনি।
লৈশা পাখংশিংগী- ফোংদোকপা য়াদ্রি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস

**মিন:** খুরৌ থাংলম্বদি ফরনি, য়েৎনবদা মায় পাক্কনি, খাঙবা কনবনা মাঙবা য়াবদৈ কনগনি। মরুপ মপাং/ইমুং মনুংগী ৱা তাউ-কান্নগনি। নরল চেকশিল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী- পুকচেল চাওথোকউ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

## ফর্ষ্ট এইদ অমসুং দিজাষ্টর মেনেজমেন্টগী ট্রেনিং পাঙথোকখ্রে




ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৬ (ঐচ এন এস):
ইন্দিয়ন রেদ ক্রোস সোসাইটি (আই আর সী এস) থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট ব্রাঞ্চনা ব্রাইট ফাউন্দেসন স্কুল থৌবালগা খুৎশম্নদুনা ফর্ষ্ট এইদ এন্দ দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট হায়বা হীরমদা নোংমগী ওইবা ট্রেনিং প্রোগ্রাম অমা থৌবাল তোমজিং মখোঙদা লৈবা ব্রাইট ফাউন্দেসন স্কুল থৌবালগী মল্টিপর্পজ হোলদা পাঙথোকখ্রে। লোয়ননা স্কুল অসিদা জুনিয়র রেদ ক্রোস য়ুনিট অমসু হাংদোকখ্রে।

ঙসিগী থৌরম অদুদা আই আর সী এস থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট ব্রাঞ্চকী মেনেজিং কম্মিটিগী চ্যেরমেন ডা. কে এস ঐচ মংলেম, ভাইস চ্যেরমেন এস মঙ্গোলজাও, সেক্রেটরি কে সদানন্দ, স্কুল অসিগী প্রিন্সিপাল ডা. কে ঐচ রঞ্জিৎ অমদি ফাউন্দর জয় ওইনামনা অথোইবা মীথুংশিং ওইনা শরুক য়াখি।

ফর্ষ্ট এইদ এন্দ দিজাষ্টর মেনেজমেন্টকী মতাংদা নোংমগী ওইবা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা আই আর সী এস থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট ব্রাঞ্চকী চ্যেরমেন ডা. কে ঐচ মংলেমনা স্কুল অসিনা অনৌবা জুনিয়র রেদ ক্রোস য়ুনিট অমা হাংদোক্লে হায়না লাউথোকপগা লোয়ননা আই আর সী এস ইম্ফাল ৱেষ্টকী সেক্রেটরিসু ওইরিবা ফর্ষ্ট এইদ মাষ্টর ট্রেনর ডা. বঙ্কিম অমসুং নেসনল দিজাষ্টর ৱাটসন রেস্পোন্স টিমগী মেম্বর অমসু ওইরিবা মাষ্টর ট্রেনর দি/এম রতন ওইনামনা দেমোন্সট্রেসন কয়াগা লোয়ননা হীরম অসিগা মরী লৈনবা ৱাফম কয়া থমখি।

## লুপা লাখ ১গী মনা পীরগনি : শান্তি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৬ (ঐচ এন এস):
মথংগী বোসেম অমদি কোসেমনা লৌবা ক্লাস টেন অমসুং টুয়েল্বকী এগজামশিংদা মোইরাং এ সীগী মনুংদা লৈবা গভর্ণমেন্ট স্কুলগী মহৈরোয়শিংনা ২০শুবা পোজিসন ফাওবগী মনুংদা মহৈরোয় য়াওবা ঙল্লবদি গভর্ণমেন্ট স্কুল অদুদা লুপা লাখ ১গী মনা পীরগনি হায়না মোইরাং এ সীগী এম এল এ থোঙাম শান্তিনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি মোইরাং কেন্দ্র প্রোগ্রেসিভ ফ্রন্টনা শীল্লগা এম এল এ স্পোন্সর তৌদুনা পাঙথোকখিবা মরিশুবা উরি মেরিটোরিয়স ষ্টুদেন্ট এৱার্দ ২০২২ পীবগী থৌরমগা মরী লৈননা ফোঙদোকখিবনি। থৌরম অদুদা মহাক্লা মখা তারদুনা হায়, গভর্ণমেন্ট স্কুল খক্তা নত্তনা এ সী অসিগী মনুংদা লৈবা প্রাইভেট স্কুল ওইরগনা লুপা লিশিং ৩০ পীগনি। মমাঙদা গভর্ণমেন্ট স্কুলদা লুপা লিশিং ৫০ পীগনি হায়না লাউথোকখিবনি। অদুবু হন্দক মহৈরোয় অমত্তা ২০শুবা পোজিসন ফাওবগী মনুংদা য়াওরক্ত্রে। মরম অদুনা গভর্ণমেন্ট স্কুলগী ওজাশিং অমদি মহৈরোয়শিংনা হন্দক্তি থৱায় য়াওনা হোৎনবীয়ু। লুপা লাখ ১গী মনা লৌবীয়ু, হৌজিক ইনখৎলক্লিবা নহারোল মহৈরোয়শিংদা খ্বাইদগী শাথিবা লায়না অমা ওইরক্লিবা কোভিদ লায়নাদগীসু হেন্না শাথিবা মহৈরোয় অমদি তুংগী য়ুম্বী ওইগদৌরিবা নহারোলশিংদা নারিবা দ্রগকী লায়না অসি গার্জিয়ান য়াওনা থিংবগী মতম ওইরে হায়নসু ফোঙদোকখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা চহী অসিগী ওইনা ক্লাস টেন অমদি টুয়েল্বকী এগজামদা গভর্ণমেন্ট স্কুলদগী চাদা ৭৫ অমদি প্রাইভেট স্কুলদগীনা চাদা ৮০গী মথক্তা ফংলকখ্রবা এ সী অসিগী মহৈরোয় পুন্না ১০১দা সর্টিফিকেট, দিক্সনারি অমদি শেলগী মনা পীদুনা পূক্নিং থৌগৎখি।



Title : Little Shingam
By : Akoijam Yoihenba Angomcha
Class : K.G. Roll : 07
School : Kids Acitivity Centre, Wangkhei



Title : Naruto
By : L. Lamnganba
Class : IV Sec : F Roll No. : 04
School :



Title : The Blue Whale
By : Shivaraj Toijam
Class : V Roll : 21
School : Maheilen Education Centre



Title : Frog
By : Binanda Maisnam
Class : KG Roll : 12
School : Kids Tower School, Malom



Title : National Flag
By : Henbisana Maisnam
Class : II Roll : 05
School : Kids Tower School, Malom



Title : A Mosque
By : Heston Khaidem
Class : IA Roll : 05
School : George High Schoo, Wangkhei




Title : Beauty
By : Jacinta Naoshekpam
Class : II Sec: C Roll : 48
School : K V L No. 1



Title : Scenery
By : Kh. Satyanivas
Class : IV Sec: A Roll : 18
School : Maria Montessori Sr. Sec. School, Koirengei



Title : Playing Ball
By : Ksh. Denison
Class : II Sec: B Roll No. 18
School : Standard Robarth Hr. Sec. School





Title : Equal
By : L. Zimbaway Sing
Class : VII Sec: B Roll : 36
School : St. John English High School



Title : Kangleipak Flag
By : Lanchenba Wangjam
Class : KG Roll :
School : Sainik Foundation



Title : Chhota Bhim
By : Mangal Yunam
Class : II Sec: B Roll : B1
School : Standard Robarth Hr. Sec. School




Title : A Brinjal
By : Olivia Ahongshangbam
Class : II Roll : 04
School : Standard Robarth Hr. Sec. School



Title : Cup
By : Poinungangbi
Class : Pre-Nursery Roll : 16
School : Malom Mega High School



Title : Don't Waste Water
By : Raj Kumar Arjun Sana
Class: IV Sec: A Roll : 26
School : Bethany School, Guwahati



Title : Scenery
By : Stephen Thokchom
Class : II Sec: B Roll : 19
School : Tiny Tots Unique School

অঙাংশিংগী অয়েকপা লাই হাপ্পীনিংবা মীওইশিংনা অঙাংগী মিং, পাসপোর্ট ফোটো, স্কুল মমিং, ক্লাস, সেক্সন অমদি রোল নম্বরনচিংবগা লোয়ননা অয়েকপা লাই অদু নীংথিনা ফোটো কাপ্লগা হুইয়েন লানপাউগী ৱাট্সএপ নম্বর ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ দা থাবীরকপা য়াগনি।